# ওক্কোন শেংদোকপগী চৎন-কাঙলোন খরা

ডো. সরাংথেম জেসমারানি

ওক্কোন শাবা মতমদা চাফম-থকফম অমদি কুনফম-তূম্ফম, মথি-ময়ুং ফাইফম-হানফমগা তিন্নহল্লোইদবনি। মচিঞ্জাক চাফম-থকফম বাগোসশিংদু লৈমায়দগী ৱাংহন্দুনা মথি-ময়ুংগা তোৎন-তিন্নহল্লোইদবনি। নুমিৎ খুদিংগী মতম চানা ওক্কোন মনুং-মপান অমসুং নালাগী মথি-ময়ুং শিত্তোক-চামথোকপগা লোয়ননা ওকশিংবু তরূ-তনান্না থম্বীগনি। মসিগীদমক মখাগী চৎন-কাঙলোনশিং অসি পাঙথোকপীগনি।

- লায়না চেন্দবা ওকশিংগী মকোক শেংদোকপা :-

ক) নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা মচিঞ্জাক থাবীদ্রিঙৈগী মমাঙদা মকোন মনুংগী লৈমায়দা তাবা মথি-ময়ুং শেংনা লৌথোক্কদবনি। পকশিন্দুনা লৈবা মথি মপং অদু অকনবা ব্রস নৎত্রগা শুমজিৎ অমনা তকথোক-খোৎতোল্লগা লৌথোক্কদবনি। মপংগী শরুক লৌথোল্লবা মতুংদা শুধা-সাপোন হাপ্লগা ঈশিংনা লৈমায়দু নত্তনা ওকশিংনা ফংবা য়াবা মফম খুদিংমক শেংনা চামথোকপীগনি। চাফম-থকফম বাগোশশিংদি ঈশিং অশেংবনা অমুক হন্না চামথোক্কদবনি। চামথোকপদা খূৎলোয়নবা পোলিথিন পাইপ মচা অমগী মতেংনা প্রেসর য়াওনা ঈশিং কাপথোকহনবীগনি।

খ) নুংথিলগী নুংশা শাগৎলকপা মতমদা ওকশিংদু ইরুজবীবগা লোয়ননা ঈশিংনা অমুক ওক্কোনগী লৈমায়, ফক্লাংনচিংবা চামথোকপীগনি।

গ) ওক্কোনগী মপান্দা লৈবা ওকশিংনা চৎফম, শান্নফম অমদি শাজেল তৌফম ওইরিবা মফম খুদিংমক্তা মথি-ময়ুং তুংশিন্দুনা লৈহল্লোইদবনি। মথি-ময়ুং শেংনা লৌথোল্লবা মতুংদা দিসইনফেক্টেন শীজিন্নদুনা চাইথোকপীগনি।

- লায়না লৈবা ওকশিংগী মকোন শেংদোকপা :-

ক) ওকোনগী মরুওইবা থোঙ লোনশিন্দুনা মীতোপ চঙহনবীরোইদবনি।

খ) মকোন মনুংদা লৈবা মথি-ময়ুং নত্তনা কুনফম-তূম্ফম ওইনরম্বা চরূ চনাই খুদিংমক শেংনা লৌথোল্লগা মৈ থাদোক্কদবনি নৎত্রগা ওকশিংনা ফংলোইদবা মফমদা লুনা তৌদুনা ফুমজিনবীগনি।

গ) ওক্কোনগী লৈমায় অমসুং ফক্লাংনচিংবদা শেংনা শেংদোল্লবা মতুংদা ফিনাইল ২% নৎত্রগা শুধা ৫% ঈশিংদা হাপ্লগা চামথোক্কদবনি।

ঘ) ওকশিংনা চঙফম, শান্নফম লৈমায়দু লৈবাক ওইরগদি ইঞ্চি ২/৩গী লৈরোল মথং থংবা লৈমায়দগী লৌথোল্লগা মফম চানা ফুমজিনবীগনি। লৈরোলদু লৌথোকখ্রবা মতুংদা ফিনাইল ৫% ঈশিংদা হাপ্লগা চাইথোকপীগনি।

ঙ) ওক্কোনলোমদা চঙফম ওইরিবা লম্বী অদুসু ফিনাইল ৫% নৎত্রগা ফোর্মেলিন ৫-১০% ঈশিংদা হাপ্লগা চাইথোকপীগনি।

চ) ওক্কোনগী মরুওইবা চঙফম গেট মমাঙদা খোঙউপ, ফিনাৎ লুপশিন্নবা ফিনাইল ১০% সোলুসন থমগনি।

ছ) ওক্কোনগী মনুং মপান অনীমক্তা দিসইনফেক্টেনশিং নোংমদা অনীরক চাইথোকপীগনি।



- মথি-ময়ুং মফম চানা য়েংলগা পুথোকপা :-

ক) ওক্কী ফার্ম অমা থম্লবা হোৎনবদা অহানবা ওইনা পায়খৎকদবা মথৌ তাবশিংগী মনুংদা মথি-ময়ুং হুন্দোক্লবা মফম চানা খনবা য়াম্না মরু ওই। নোংমদা ওক অচৌবা ১০না মথি কিলো ৩৫-৪০ ফাই অদুগা ময়ুংনা লিটর ৬০-৭০ রোম হান্দোকই। ওক য়াম্না থমদবা ওইরগদি ইশ্বোলনচিংবা মফমদা হৌবা পান্বীশিংগী হার ওইনা পুথোকফি-খবা য়াই। অদুবু লায়না লাকপা মতমদদি মসিনা লায়না শন্দোকহনবা য়াবগী ৱাফম লাকই। খ্বাইদগী ফবদি বাইওগ্যাসকী প্লান্ট ওইনা টেঙ্ক অমা চল্লগা নুংশিৎ চংহন্দনা পৈশিন্দুনা থল্লবদি লায়না তীলনা শন্দোরকপা থিংবদা নত্তনা মিথেল গ্যাস থোকহন্দুনা মৈ ওইনা শীজিন্নবা ঙমই। ওক ২০গী মথি-ময়ুংদা নোংমদা মিথেল গ্যাস লিটর ৩৫০০ রোম পুথোকপা ঙমই। অসুম্না নুংশিৎ চঙহন্দনা লৈরোন মনুংদা পৈশিন্দুনা থল্লবদি লায়না অয়াম্বগী হৌরকফম ওইরিবা মহিক মতাং লোইনা হোৎতোক্কুনা লায়না শন্দোকহন্দবগী পান্থে অমা ওই।

খ) ফার্মগী অকোয়বা অমসুং মনুংদা অতোপ্পা মপানগী মীওই, হুই, হৌদোং, ষণ, ইরোই অমদি লম শানচিংবা চঙহল্লোইদবনি। মীতোপশিং ফার্ম মনুংদা চঙবা তারগদি খোঙউপ, ফিনাৎ অমসুং মফি-মরোল হোংদোকহনগদবনি। লোয়ননা ফার্মগী ম্যেন গেটতা থম্বা দিসইনফেক্টেন সোলুসনদা খোঙউপ, ফিনাৎ লুপশিল্লগা মনুংদা চঙহনগদবনি। অদুবু ওক্কী লায়না য়াম্না কন্না শন্দোরকপা মতমদদি ফার্ম মনুংদা মী চঙহল্লোইদবনি।

গ) চগুম চনাই অমদি শা-ঙা শেম শাবগী মহি-মচুম, অরেম-অতানা মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা তারবদি মশক খঙবা মফমদগী লৌগদবনি। চগুম মরক্তা চুরুট, বিড়ি, খৈনি, জর্দা, সর্ফ-সাপোন অমদি তীলহাৎ হীদাক্লচিংবা হু ওইগদবা পোৎশক য়াওহল্লোইদবনি। চগুম-চনাই খুদিংমক পীজদ্রিঙৈগী মমাঙদা চামথোকপীরগা শৌদোকহল্লবা মতুংদা পীজবীগনি।

ঘ) অমোৎপা পুখ্রি খোংবানগী ঈশিং কৈদৌঙৈদসু ওক্কী পীজ-পীথক্কী ওইনা শীজিন্নরোইদবনি।

ঙ) শঞ্জাবুংগা শম্নবা পুখ্রি খোংবানগী ঈশিংদা হৌবা নাপি-শিংবী ওক্তা পীজবিরোইদবনি। থাদোক্কুনা লোইবা ওকশিংগী শজিক চাফম অমদি শান্নবুং থা ৩ খুদিংগী হোংবীগনি।

মথক্তা থমজরিবা থৌরাংশিংসি ওক লোয়বীরিবা মীওইশিংনা পাঙথোকপীদুনা মায় পাক্লা শেন্দোং লৈনা ওক লোয়বীগনি। ●

# চুজাক্কী চানবা অঙৈং-অশা অমদি লৈবাক লৈহাওগী ফীভম

ডো. ৱাইখোম জিতেন

চুজাক মরূগী ইন্দোস্পর্ম হায়রগা খঙনবা চনাংগী শরুক্না মপূং ওইনা য়াওবা শরুক অসিদা লৈরিবা খেন্নবশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা চুজাক অসি তোঙান-তোঙানবা মখলদা খায়দোকপা য়াই। অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা মখলশিং অসিগী শীজিন্নফমসু অমগা অমগা মান্নদে।

Dent Corn : চুজাক মরূগী মথক থংবা শরুক অদু কংশিল্লক্লবা মতমদা কুখদুনা লৈবা মখলগী চুজাকনি। মসি মপূং ওইনা অমেরিকাদা পাকশন্না থাই। চুজাক মখল অসি মপূং ওইনা শা-ষণগী মচিঞ্জাক শেম শাবদা হেন্না শীজিন্নে।

Flint Corn : চুজাক মখল অসি ইন্দিয়ন কোর্ন হায়রগসু খঙনবা অদুগা ইন্দিয়াদা পাক শন্না থানবা চুজাক মখলনি। মখল অসিগী মরূশিং অসি কোইরপ তৌবগা লোয়ননা মরূগী মথক থংবা শরুক অদু তোংখৎলপ তৌই। চুজাক মখল অসিসু শা ষণগী মচিঞ্জাক শেম শাবদা মপূং ওইনা শীজিন্নে।

Pop Corn : চুজাক মখল অসিগী মরূশিং পিকই অদুগা মরূগী মপাল থংবা শরুক্না য়াম্না কল্লি। মখল অসিগী চুজাক মরূশিং অসি কবোক পোকপদা শীজিন্নে।

Flour Corn : চুজাক মখল অসিগী মথক থংবা শরুকশিং অদু হায়ফেৎ কুৎথরপ তৌবদগী শুংকুৎ কুখদবা মখলগী মরূশিংনি। মরূ মখল অসি কূপ্না তকখায়রগা তোঙান-তোঙানবা চিঞ্জাক্কী মখলশিং শাবদা শীজিন্নে।

Sweet Corn : চুজাক মখল অসিদা চিনি অমসুং চনাংগী শরুক্না হেন্না য়াওদুনা মপূং ফাদ্রিবা চুজাক মহৈশিং অদু থুমগনি। মখল অসি মপূং ওইনা অনৌবা মপূং ফবাৎত্রিবা চুজাক্কী মহৈশিং ওইনা শীজিন্নে।

চুজাক্কী হেন্না চানবা অঙৈং-অশাগী ফীভম :- পান্বী মখল অসি লুম্বু-লুম্বু শাবা মফমনা হেন্না চানবা পান্বীনি। নুমিদাংগী মতমদা লৈবা মৈশাগী চাং ১৫.৬ দিগ্রী সেলসিয়সতগী হেন্না ঈংলবা নৎত্রগা য়াম্না শাবা মৈশা ৩৭-৩৮ দিগ্রী সেলসিয়সতগী হেন্না শারবা পান্বীদা চাউদম থিলহল্লি। কালেনগী কা হেন্না শাবা নুংশানা লৈবাক্কী মৈশা ৱাংখৎহল্লি অমদি পান্বীগী মরা শন্দোকপদা অপনবা পী। পান্বীগী করিগুম্বা তাঙ্কক অমত্তদসু উননা য়েহনবীরোইদবনি। পান্বী অসি মপূং ফানা হৌবা ঙম্নবগীদমক নোংজুগী চাং মিলিমিটর ৬০০তগী তাদবা মথৌ তাই। নোংথি নোংমঙদবা লৈচিন নোংফাই থাংদবা অতিয়াগী ফীভমগা লোয়ননা মতিক চানা ঈশিং ফংহনবা হায়বসি পান্বী অসিগী মপূং মরৈ ফানবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থেনি। পান্বীনা মপূং মরৈ ফারবা মতম নৎত্রগা মরূ চংবা মতমদা উননা য়েরবদি পোথোক য়াম্না হন্থে অদুগা পান্বীনা নৌরিঙৈ মতমদা ওইরবদি পান্বীদা শোকপগী চাং অসি নেমই। চুজাক অসি তোঙান তোঙানবা লৌরোক্কী মতম অহুমদা থাবা য়াই।

মপূং ওইবা লৌরোক (Kharif) : য়ারিবমখৈ ঙন্না থাবিবনা খ্বাইদগী ফৈ। মতম অসিগীদমক মে থাদগীনা জুলাইগী থাখায় ফাওবগী মনুংদা থাবিহৌনবা হোৎনগদবনি।

নিংথম লৌরোক (Rabi) : মতম অসিদা থাগদৌরিবা চুজাক অসি ওক্টোবরগী অরোইবা শরুক্তগী হৌরগা নবেম্বরগী ময়ায় চনবা মতম ফাওবগী মনুংদা থাবিহৌগদবনি।

য়েনিং মতমগী লৌরোক (Spring) : য়েনিং মতমগী লৌরোক্কীদমক চুজাক অসি জন্যুৱারীগী অরোইবা শরুক্তগী হৌরগা ফেব্রুৱারীগী অরোইবা শরুক ফাওবগী মনুংদা থাবীনবা হোৎনগদবনি।

চুজাক্কীদমক হেন্না চানবা লৈবাক লৈহাও : চুজাক অসি অয়াম্বা লৈবাক লৈহাওদা থাবা য়াই। অদুবু খ্বাইদগী ফবদি ফ্রোং-ফ্রোং লাওবা ওর্গানিক মেট্রর (পান্বীশিংবী/শা-ঙা/ষন্থি-ষণয়ুংগী পথ-পুমথরগা ওইবা মচাক) য়াওবগী চাং ৱাংবগা লোয়ননা ঈশিং মনিল কুইনা ফাজিন্দুনা থম্বা ঙম্বা অমদি অহেনবা ঈশিং ঈনিল কুইনা ফাজিন্দুনা থম্বা ঙম্বা অমদি অহেনবা ঈশিং ঈনিল লুনা পুথখিবা ঙম্বা লৈশা ওইগদবনি। ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈগনবা লৈবাক লৈহাওদা চুজাক থাবা পক্লদে। চুজাক্কী খ্বাইদগী চানবা অশিন অয়াক্কী চাং অসি PH 6.5-7.5 ওইবগা লোয়ননা ফোলি ওইবা লৌফমনি। চুজাক থানবগীদমক লৈবাক্তা য়াওগদবা লৈতানগী চাং অসি চাদা ১০-৩০ ফাওবগী মনুংদা ওইবগা লোয়ননা পান্বীনা মথৌ তাবা মচিঞ্জাক্কী মখলশিং চাং চানা য়াওবা ওইগদবনি।

চঙগদবা চুজাক মরূগী চাং অমদি অকুং-অরন : ঐখোয়না পান্লিবা পোথোক্কী চাং অদু ফংনবা অমদি লৈজরিবা মচাকশিংদুদগী লৌগদবা কান্নবশিং মপূং ফানা লৌবা ঙম্নবগীদমক লৌফম অদুদা থাগদবা পান্বী মশীংগী চাং অসি অকক্লবা চাং অমদা থমদবা য়াদে। লৌ পরি অমদা শীজিন্নগদবা মথৌ তাবা মরূগী চাং অসি ঐখোয়না থাগদৌরিবা চুজাক অদুগী শীজিন্নফম, মরূগী অচৌবগী চাং, পান্বীগী অচৌ অপিক, থাগদৌরিবা লৌরোক্কী মতম অমদি থাগদৌরিবা খূৎথা অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি।

| শীজিন্নগদবগী মওং | মথৌ তাবা মরূগী চাং (কেজি) | লৈগদবা পান্বীগী অকুং-অরন (সেন্টিমিটর) | লৌ পরি অমদা হৌগদবা পান্বী মশীং |
|---|---|---|---|
| ১) অকংবা মরূ ওইনা লোক্লবগীদমক | ২০ | ৬০ x ২০<br>৭৫ x ২০ | ৮৩৩৩৩<br>৬৬৬৬৬ |
| ২) য়াম্না নৌনা হেক্কুনা শীজিন্নগদবা (Baby Corn) | ২৫ | ৭৫ x ২৫<br>৭৫ x ৩০ | ৫৩৩৩৩<br>৪৪৪৪৪ |
| ৩) কবোক পোক্লবা মরূ লৌনবগীদমক | ১২ | ৬০ x ২০ | ৮৩৩৩৩ |
| ৪) লৌদুনা/ফুৎতুনা চানবগীদমক | ২০ | ৭৫ x ২০<br>৬০ x ২০ | ৬৬৬৬৬<br>৮৩৩৩৩ |
| ৫) শা-ষণগী শজিক ওইনবগীদমক | ৫০ | ৩০ x ৫০ | ৩৩৩৩৩৩ |

# লৈবাক্কী মচুম শীজিন্নদুনা পুকলাওবীগী মরূম নপহন্দবা

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

পুকলাওবী হায়রিবা ঙা মখল অসি অনপ্পা মরূম কোকই অমদি মরূম তোয়না কোকই। তৌইগুম্বসুং অনপ্পা মরূম ওইবনা হেটচরিদা মচা পুথোকপদা খুদোংচাদবা অমা ওইরি। পুকলাওবীগী মরূম অসি নপহন্দনবা থৌওং কয়া পুথোকখ্রে। থৌওংশিং অদুদি ঈশিং লিটর তরাদা টেনিন গ্রাম তরামঙা হাপ্তুনা মরূম অদু চামথোকপা। হায়রিবা থৌওং অসিদা শীজিন্নরিবা টেনিন অসি মহু চেনবা পোৎশক ওইবনা ঙাগী মরূম শিহনবা অমদি কান্নদবা ফল কয়া থোকহল্লকই।

অতোপ্পা থৌওং অমনা যুরিয়া-সোদিয়ম ক্লোরাইদকী মহি শীজিন্নদুনা অনপ্পা শরুক অদু লৌথোকপা। মসিদসু নত্তনা অমুল শঙ্গোম গ্রাম কুন ঈশিং লিটর ১০ দা থিৎতুনা মরূমদু চামথোকপা মতমদসু অনপ্পা শরুক অদু লৌথোকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং মসিসু পৈশা চঙবা মরম্না হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি খ্বাইদগী ফবা থৌওংসি পুকলাওবীগী মরূমসি মেৎথোল্লবা মতুং লাবগী মিল্টসু মেৎথোল্লগা উচেক্কী মতু নৎত্রগা অমোনবা তুরি অমনা ওৎতুনা ফর্টিলাইজ তৌরবা মতুংদা ঈশিং লিটর তরাদা লৈবাক খুজোক অমা তুমহল্লগা হৈজিন্দুনা থম্বা মতমদা পুকলাওবী মরূমগী অনপ্পা শরুক অদু লৌথোকপা ঙমগনি। অসুম্না অনপ্পা শরুক লৌথোকখ্রবা মরূমশিং অদু হেটচরিদা য়াম্না লায়না মচা ওলহনবা ঙমগনি।

পুকলাওবী হায়রিবা ঙা মখল অসি মরূম তোয়না কোকপদা নত্তনা অঙৈংবা মতমদসু মরূম কোকপা ঙম্বা ঙা মখল অমনি। তৌইগুম্বসুং মচা পুথোকপদা খুদোংচাদবা কয়া লৈবা মরম্না মতোমতা কোকচবা মরূম অমদি মচাদগী য়োক্লবা নত্তনা য়াম্না চাউনা মচা পুথোক্লবগী থৌরাং পায়খৎনদে।

হান্ননা পায়খৎনরল্লিবা মচা পুথোক্লবগী থৌওং অসিদি মপূং মরৈ ফারবা অমোম অমদি লাবদু ফাগৎলগা হাপ্পাদা হাপ্তুনা কবোকং নৎত্রগা মরূমদু নপনবা করিগুম্বা পোৎশক খরা হাপ্তুনা মতোমতা মরূম কোকহনবনি নৎত্রগা নাপী খরা হৌবা মফমদা মতোমতা কোকচবা মরূমদগী ওল্লকপা মচাশিংদু য়োকপা অদুনি। হায়রিবা থৌওংশিং অসিদগী ফংবা মচা অদুদি য়াম্না য়ামদে অমদি মহৌশানা মরূম কোকচরকপা মতম ঙাইবদি তঙাইফদবা লৈ। তৌইগুম্বসুং মথক্তা পনখ্রিবা থৌওং অসি শীজিন্নরবদি অপান্বা মতমদা মচা য়াম্না পুথোকপা ঙম্লগনি।

রৌ, কটলা, ম্রিগল অসিদি মহৌশানা খরা শাগৎলক্লবা মতমদতা মরূম কোকহনবা য়াই। মরম অদুনা ঙা মচা পুথোল্লিবা হেটচরিশিং অসি নোংজু পন্থা লাকপা অমদি খরা শাগৎলবা মতমদতা ওইনা ঙা মচা পুথোকই। হায়রিবা ঙাশিং অসিনা মরূম ফজনা পুদ্রিঙৈ মতম খরা ঈংলিবা মতমশিংদা পুকলাওবী মচা পুথোক্লবগী থৌরাং লৌখৎপীরবদি ঙা মচা পুথোকপগী হাংদুনা লৈরিবা মতম অসি খরমখৈদি মেনখৎপা ঙমদুনা শেল খরা হেন্না তানবা ঙমগনি।

মরূম পুবা মপীশিং খন্দোকপীরগা হোর্মোন হায়বদি ওভাপ্রিম, ওভাটাইট ওভা এফ ঐচ, গোনোপ্রোনচিংবা অমা হেক্তা শীজিন্নদুনা মচা পুথোকপা য়াই। হোর্মোন কাপখ্রবা মতুং নোংমা লৈরগা ঙা অমোমগী মরূমশিং অদু পুখমগুম্বা অমদা মেৎথোকপীরগা ঙা লাবগী মিল্ট অদু অমুক মেৎথোক্কুনা উচেক মতু নৎত্রগা অমোনবা টুরি অমনা ওৎপীদুনা ফজনা ফর্টিলাইজ তৌহনগদবনি। অদুদগী ঈশিং লিটর তরাদা লৈবাক খুজোক অমা হাপ্তুনা তুমহল্লবা মতুংদা মরূমশিং অদু হাপচিনগদবনি। অসুম্না তৌরবদি মরূমগী অনপ্পা শরুক অদু লৌথোকখ্রনি অমদি হেটচরিদা মচা ওলহনবা য়ারগনি।

অসুম্না পুকলাওবীগী মচা মরাং কায়না পুথোক্কুনা ঙা মচাগী অৱাৎপা খরমখৈ মেনখৎপা ঙম্বতা নত্তনা ঙা মচা পুথোকপগী অহাংবা মতমসু শীজিন্নদুনা মীওই কয়াগী থবক পীবা ঙম্লগনি অমদি ঙামী কয়াগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৭

১। মণিপুরগী পুৱারীদা ইন্দিয়াদা তিল্লবসু খুন্নাই অসিগী কলচরেল মকোক্তি ইনিংথৌনা অদুম ওইরি। হৌজিক ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ওইরি। মহাক মহারাজ বুধচন্দ্রগী মশুশিংনি।
(ক) মহারাজ বুধচন্দ্র শোক কয়াদা থূপখিবগে?
(খ) ইনিংথৌ লৈশেম্বগী রানিগী মমিং করি কৌবগে?

২। "পৃথিবী অসে অকনবগীনি / মসিদা অশোনবগী মফম লৈতে।" ৱাফমসি রা: কু: সুরেন্দ্রজিৎনা হায়রম্বনি। অইবা অসিনা পুথোক্লম্বা চেফোঙ অদুগী মমিং করি কৌবগে?

৩। "নঙদি থৌগন্নবগী মশকনি / ইকায়খুম্নবৈ লৈ পরেং হুক্লফমনি।" পরেং অনী অসিনা কবি নহা ৱাংথোই খুমন্না নুপীবু থাঙ্গৎতুনা ইরিবনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নঙগী নফমদা ইনৌতা নৌই ঐ / অদুনা / নঙগী মুর্ত্তি লিশীং-লিশীং / শাবা তাই / ... কিন্থখিবা খুদিং।" পরেংশিং অসিনা 'অহাংবা কা অমসুং চিঠি' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুগী 'আশা' কৌবা শৈরেংদগী লৌথোকপনি। নহা অইবীদু কনানো?

৫। "ঈপাক্তা মঙায়রে, হিনাউদি লৈতরে / ঙল্লরোই ঐদি নতুং ইনবসু / চৎলোকো চান্নবী পন্থুংদু তম্না।" পরেংশিং অসিনা 'ঐ ঈশৈ শৈরেং' কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।